# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়া ফ্রান্সকী মখূৎতা মায়থীখ্রে




ভুবনেশ্বর, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা যূম্ব ওইদুনা ওরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা মেন্স জুনিয়র হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী পুল বিগী মেটচ অমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন যূম্বু ইন্দিয়া ফ্রান্সকী মখূৎতা পাঞ্জল ৪-৫দা মায়থীবা নংখ্রে।

ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিং অদুগী ফজবা মশান্না অদু হেক হৌবগা উখোকপা ঙমখি। অহানবা মিনটতা টিম অদুগী কেপ্টেনসু ওইরিবা টিমোথি ক্লিমেটনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা শেম শাবা লোইফাৎত্রিঙৈদা ৭শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী মখা তানা চথুরকপা এটেক অমদা জর্সিনম্বর ১১ বেঞ্জামিন মার্কিনা ফিল্ড গোল অমগা চল্লগা ২-০দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী উত্তম সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ হন্দোকপা হৌখি। অহানবা ক্বার্টরগী লোইরমদাইদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অদু সঞ্জয়না পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-২ লৈনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লন্থা মায়োক্লখি। পাঞ্জল ২-২ লৈনরবা মতুং শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ফ্রান্সকী টিমোথি ক্লিমেটনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফকী হৌরকপা ৩২শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অনৌবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ফ্রান্সকী কেপ্টেন ক্লিমেটনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থাখি।

অরোইবা ক্বার্টরগী হৌরকপা শান্নবগীনা ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থারবা ফ্রান্সকী কোরেন্টিন সেলিয়রনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা ৫-২দা ইন্দিয়াবু হেন্দুনা লৈখি। লেমহৌরিবা মতম খরা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অরোইবা খোঙ্গাওগী মওংদা শান্নবা হৌরকখি। ৫৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সঞ্জয়না পেনাল্টি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোকখি। থংনবা মিনটতসু ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগসু সঞ্জয়না পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইরগা ৪-৫দা লৈখি। লেমহৌরিবা মিনট ২ অদু পাঞ্জল চন্নখিদবদগী ইন্দিয়া মায়থীহৌখি। ঙসি মায় পাকখিবা অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুদি পোলেন্দ, মলেসিয়া অমসুং বেলজিয়মনি।

# ওরিষ্যা এফ সীনা বেঙ্গলুরু এফ সীবু ৩-১দা থোইখ্রে



ভাস্কো দা গামা, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): গোৱাগী সিটি ভাস্কো দা গামাদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা বেঙ্গলুরু এফ সীবু ওরিষ্যা এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু হেক হৌরকপা শুপ্পগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা খোঙজেল য়াঙনা পুশিল্লকপা ওরিষ্যা এফ সীগী এটেক অমদা জাবি হর্নান্দেজনা পাঞ্জল চন্দুনা বেঙ্গলুরু এফ সীবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংনবা অচৌবা মঙলানগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্কোলাইজর ফংনবা শান্নরকপা অদু ২১শুবা মিনটতা ফংবা ঙমখি।

টিম অদুগী শান্নরোয় মণিপুর মচা নাওরেম রোশননা পীরকপা বোলদা টিমমেট অলান কোষ্টানা পাঞ্জল চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মখা তারকপা মিনট ২৪গী লম্বা অদুদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা ওরিষ্যা এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জাবি হর্নান্দেজনা ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা বেঙ্গলুরু এফ সীবু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। বেঙ্গলুরু এফ সীগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফতা ইক্কোলাইজর থুনা ফংবা ঙমখিবা অদুগুম্না অনীশুবা হাফ অদুদদি ফংবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী অপীবা মিনট ৯০ য়ৌশিল্লক্লবা মতম ফাওবা বেঙ্গলুরু পাঞ্জল শোথরগা অদুম্মক লৈখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ অদুদা শান্নরোয় কয়া শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌদুনা মখা তাবা পাঞ্জল লৈননবা হোৎনরকখি।

ওরিষ্যা এফ সীগী মায়কৈদগী মণিপুর মচা থোইবা মোইরাংথেম ভানলালরুৱাফেলানা শিনখি। অমরোমদা, বেঙ্গলুরু এফ সীদা শরুক য়ারিব মণিপুর মচা কুমাম উদান্তাবু সী সিলভানা মহুৎ শিল্লগা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী হাপখিবা মিনট ৫ য়ৌশিল্লকপদা ওরিষ্যা এফ সীগী মায়কৈদগী ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা ভানমালসোমানা পীরকপা বোল অমা অরিদে কাব্রেরানা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

# মণিপুরগী টিমনা মিজোরামবু রন ৬২দা থোইখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): গুৱাহাটিগী বার্সাপারাদা লৈবা এ সী এ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী চহী ২৫ মখাগী ষ্টেট এ ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১-২২দা মণিপুরগী টিমনা মিজোরামবু রন ৬২দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস মিজোরামনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০ পূন্না শান্নবা ঙমদনা ৩৭শুবা ওভরদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৩৫ লৌখি। মণিপুরগী টিম অদুগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটসমেন জোন্সননা বোল ৩০দা রন ২৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ওপনর এন্দি রোসন রন ১৯ লৌরমখি। লোয়ননা ৬শুবা বেটসমেন কিষন বোল ২১দা রন ১৭ লৌবা ঙমখি। ৮শুবা বেটসমেন মহমদ মুষ্টাক, কেপ্টেন দেনিম অমসুং ১০শুবা বেটসমেন অলফ্রেদ মার রন ১১/১১ লৌরমখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

মিজোরামগী মায়কৈদগী বোলর ভললাল রেমরুৱাটানা মণিপুরগী বেটসমেন ৩ আউট তাহন্দুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

মিজোরামনা মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রন ১৩৬ লৌননবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ৪২ শুরকপদা বেটসমেন ১০মক স্কোরবোর্দতা রন ৭৩ খক লৈরিঙৈদা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু মখোয় মণিপুরগী মখূৎতা রন ৬২দা মায়থীবা নংখি।

মিজোরামগী মায়কৈদগী বেটসমেন মাপন রন ৮ য়ৌবা ঙমখিদে। অদুবু মখোয়গী মরক্তা ৫শুবা বেটসমেন ওইখিবা সাহিল রেজানা বোল ১১০দা রন ৪০ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংস ওইখি।

মণিপুরগী বোলরশিংগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা মিজোরামগী বেটসমেনশিংগী মরক্তা পার্টনরশিপ অমত্তা শেমহন্দনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। বোলর কিষননা ওভর ৯ লংবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদবা ওভর ৭ য়াওরগা অতোপ্পা ওভর ২দা রন ৫ খক পীরগা পূন্না মিজোরামগী বেটসমেন ৫ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলিং পর্ফোর্মেন্স অদু উৎপা ঙমখি। কেপ্টেন দেনিনসু ওভর ৭ লংবদা রন ১১ খক পীরগা বেটসমেন ২ আউট তাহনখি। বিকাশ ওভর ৭ লংবদা রন ৯ পীরগা ৱিকেট অমা লৌবা ঙমখি।

# এস ৱাই এল ওনা ঐচ আই এস য়ুবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে

থৌবাল, নভেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চথুরকপা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা মেটচতা এস ৱাই এল ও তেকচমনা ঐচ আই এস য়ু মেলাগ্রাউন্দবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্পগী ৩শুবা মিনটতা হিসুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ কে এস ঐচ নেপোলিয়ননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা এস এল ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৬ এস বর্লিননা ইক্কোলাইজর অদু চনখি।

মেটচ মখা চথুরকপা ১৮শুবা মিনটতা হিসুগী জর্সি নম্বর ৯ দল্লিয়ু অমর্জিৎনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাখি। এস এল ৱাই ওগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এস বর্লিননা ২৫শুবা মিনটতা ইক্কোলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-২দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মেটচকী অপীবা মিনট ৪০ শুরকপদা হিসুগী মায়কৈদা চথুরকখিবা এটেক অমদা এস এল ৱাই ওগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা জর্সি নম্বর ৬ এস বর্লিননা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা হিসুবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ঐচ কে কে এস এ অমসুং ঈ এল ৱাই এস এগা ৩-৩দা দ্রো চৎখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোক্সর ৬ তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা ফাইনেল য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা চথুরকপা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা লন্থা তৌনরকপা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীনবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায়কৈদগী বোক্সর ৬ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সব-জুনিয়র বোইজকী কাঙলুপ্তা নান্দৈবম বেবিচান্দ মীতৈ, কাঙলুপ অদুমক্তদা লোংজম ঙম্বা, জুনিয়র গর্লসকীদা থৌদাম প্রমেশ্বরী, জুনিয়র বোইজদা লৈচোম্বম লমঙানবা, য়ুঠ মেন্সকীদা থোঙাম লেনিনসন মীতৈ অমসুং সব-জুনিয়র বোইজদা চিংঙাংবম অর্জুন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী ফাইনেল য়ৌখিবশিং অদুদি সব-জুনিয়র বোইজদা অঙোম রোনাল্ডো, য়ুঠ মেন্সকীদা পেবম সুরঞ্জয়, জুনিয়র বোইজদা থোকচোম বিস্বমিত্রা, লোয়ননা জুনিয়র গর্লসতা ময়েংবম সাগর চনু অমদি য়ুঠ ৱিমেন্সতা তোইজম ভুমাবতিনি। থৌবালগী মায়কৈদগী বোক্সর ৪ ফাইনেল য়ৌখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী ২, চান্দেলগী ১, ককচীংগী ১, চুড়াচান্দপুরগী ১ অমসুং কাংপোকপীগী বোক্সর ১সু ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা মফম অসিমক্তদা হয়েংদগী ১২শুবা সব-জুনিয়র গর্লসকী কম্পিটিসনসু হৌদোক্লগনি।

# মুএথাইগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা দিসেম্বর ১৬তগী ১৯ ফাওবা য়ুনাইটেদ মুএথাই এসোসিএসন ইন্দিয়া (য়ু এম এ আই)গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর মুএথাই লভরস এন্দ প্লেয়রস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা সিনিয়র নেসনল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স মুএথাই চেম্পিয়নশিপ কম এসিয়ন ইন্দোর মার্সিএল আর্টস গেম ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর মুএথাই লভরস এন্দ প্লেয়রস ওর্গনাইজেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি অয়েকপম শঙ্করনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা মুএথাই নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমদি এসিয়ন ইন্দোর মার্সিএল আর্টস গেমসকী ট্রায়ল সেলেক্সনসু ওইগদৌরিবা অসিদা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগীদমক ওর্গনাইজেসন অসিনা থা অসিগী ২৮গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা চঙাঙ্গৈ কম্যুনিটি হোলদা ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মুএথাই সিনিয়র প্লেয়রশিংনা নুমীৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা মপূং ফাবা কিটশিং পুরক্লগা রিপোর্ট তৌবা য়ারগনি হায়রি। পনবা য়াবদি, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা জুলাই ২০দা মুএথাই মশান্না অসিবু মপূং ফানা রিকগ্নাইজ তৌখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী য়ু এম এ আইনা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ মুএথাই এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌদুনা মপূং ফাবা মুএথাইগী এসোসিএসন ওইরবনি।

# মণিপুরগী নুপী অমসুং নুপাগী টিম রেগু ইভেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



চান্দিগর, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): পঞ্জাবকী চান্দিগরদা লৈবা লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২১দগী চথুরকপা ৩১শুবা সিনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী রেগু ইভেন্টতা মণিপুরগী নুপী অমসুং নুপাগী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী টিমনা গ্রুপ এগী ওইনা শান্নখিবা মেটচ ৫দা ৫মক মায়পাক্তুনা মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি। মণিপুরগী টিম অদুনা অহানবা মেটচতা ঙসি অন্ধ্র প্রদেশপু ২-০দা থোইখি। মখা তারকপদা মহারাষ্ট্রবুসু ২-০দা, ঝরখন্দবুসু চপ মান্নবা স্কোর সেট ২-০দা, তেলঙ্গনাগা লম্বা তৌনবদসু সেট ২-০দা মায় পাকখিবা অমসুং অরোইবা লীগ মেটচতা পঞ্জাবপু ২-০দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নুপাগী ওইনা মণিপুরগী টিমনা গ্রুপ বিদা অতোপ্পা ষ্টেট মঙা মায়থীবা পীরগা দেল্লীগী মখূৎতা সেট ০-২দা মায়থীখিবদগী গ্রুপ অদুগী রন্নর্স অপ তারগা মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মণিপুরনা মধ্য প্রদেশ, গুজরাট, মহারাষ্ট্র, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলা মায়থীবা পীরম্বনি। হয়েং ক্বার্টর ফাইনেল অমসুং সেমীফাইনোল শান্নগদৌরি।

প্ৰকাশিত

RaDiant Group of Companies

Sangaiprou Ningthemkol, Imphal West-795140

Post Vacant

| UNIT | Position | Experience | Education | No. of Post | Salary (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| RaDiant Corporate Office | HR (Recruitment & Training) | Minimum 1 year of experience in Recruitment and Training. | MBA (HR) | 1 | 10,000 - 15,000 |
| RaDiant Corporate Office | Digital Marketing Executive | Should be technology savvy, good in research & development. | Graduate in Computer Stream | 1 | 7,000 - 10,000 |
| RD Grafix Sangaiprou | Sr. Supervisor | Minimum 1 year of experience in assisting or supervising a project. | Graduate | 1 | 8,000 - 10,000 |
| | Machine Operator | Knowledge/experience on flex printing machine. | 8th pass and above | 1 | 5,000 - 7,000 |
| | Sales & Marketing Executive | Minimum 1 year of experience in Sales & Marketing. | Graduate | 1 | 7,000 - 10,000 |
| | Graphic Designer | Must have hands on Adobe (Photoshop & Illustrator), CoralDraw. Should be up-to date on current trends. | 10+2 and above | 1 | 7,000 - 10,000 |
| | Customer Relationship Executive | Should have good communication skills and knowledge on Bookkeeping. | Graduate | 1 | 6,000 - 8,000 |
| Maion RaDiant Nidhi Limited Keishamthong | Account Opening Executive | Experience in Account opening, Deposit and document maintenance in financial sector. | 10+2 and above | 1 | 6,000 - 8,000 |
| RaDiant E-Ride, Sangaiprou | Sr. Sales Executive | Atleast 1 year experience in sales and marketing. (Target based incentive will be paid additionally) | Graduate and above | 1 | 8,000 - 10,000 |
| RaDiant E-Ride, Khumbong | Care taker (Residential) | Knowledge/experience on security and maintenance. | 8th pass and above | 1 | 6,000 - 8,000 |
| RaDiant Club & Resort Maiba Khul | Manager | Minimum 1 year of hotel management or related sales. | Diploma/Degree in Hotel/Tourism Management | 1 | 10,000 - 15,000 |
| | Front Desk Executive | Should be fluent in English, Hindi and Manipuri. Preferred hospitality experience. | Graduate | 1 | 6,000 - 8,000 |
| | Counter Sale Executive | Should be fluent in English, Hindi and Manipuri. | 10+2 | 1 | 6,000 - 8,000 |
| | Housekeeping | Should be able to keep the premises clean and hygenic. | 8th pass and above | 2 | 5,000 - 7,000 |
| | Security Guard | Minimum 6 months of experience. | 8th pass and above | 2 | 5,000 - 7,000 |
| | Ticketing Executive | Should be fluent in English, Hindi and Manipuri. | 8th pass and above | 2 | 5,000 - 7,000 |
| | Event Management Executive | Atleast 1 year experience as an event coordinator. Should be fluent in English, Hindi and Manipuri. | Diploma/Degree in Event Management | 1 | 8,000 - 12,000 |
| | Gardener (Mali) | Experience in gardening. | 8th pass and above | 1 | 6,500 - 8,000 |

Interested candidate may apply for the vacant position with an updated resume at the given office address from 10:00 AM - 3:00 PM till 24th of November 2021.
OR
Mail us at hr.radiantgp@gmail.com/rgcorphr@gmail.com or SMS/WhatsApp us at +91-9863553248/7642842266 with <Name><Position>

Sd/- Human Resource Officer
RaDiant Group of Companies

HL-B/7288/18-24/11

# এম এল এ রঞ্জিৎনা শান্নবুং শেমগৎ-শাগৎপা য়েংশিনখ্রে



ককচীং, নভেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): সুগ্নু এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা ককচীং খুনৌ অমদি উমাথেলগী মরক্তগা লৈরিবা চোঙাখোং লম্পাক হায়রগসু খঙনবা অসি শান্নবুং ওইনা শেমগৎনবা এ সী অসিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী মীৎয়েং মখাদা এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কন্না চথরিবা অদুগী ফীভম মশামক চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা শেমগৎলিবা অদুগী অনীরকশুবা ওইনা লুপা লাখ ৩ খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক শেমগৎলিবা শান্নবুং লম্পাক অসি মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবুং অমা ওইরগনি। মফম অসি মতম অমদা লমদম অসিগী অহলশিংনা থন্বীরম্বা লম্পাক অসি চাওরাক্লা লৌ পরি ৬ লোম পাক-চাওই। য়াম্না কুৎপা মফম অমা ওইবনা নৌনা লৈবাক থোন্দুনা শেল্লকপদগী ঙসিগী ফীভম অসি লাকপনি। লম্পাক অসি মওং-মরিল তানা শেমগৎপদা চঙবা শেনফম খূদিংমক মহাক্লা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

মফম অদুগী মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, মতম অমদা লম্পাক অসি য়াম্না চাউরগসু লমদম অসিগী ষঞ্জাবুং অমদি কোম অচৌ-অচৌবা কয়া অমা লৈদুনা নোংতাবগা ঈশিং তুংদুনা শান্নবুং অমা ওইবা য়ারমদবা অদু এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হোৎনরকপদগী ফীভম অসি য়ৌরক্লে হায়খি।

# ইন্দিয়াগী সিন্ধু ইন্দোনেসিয়া ওপনগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

বালি, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধু ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী অয়াওহোরিবু মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম জপানগী শান্নরোয় অদুনা ২১-১৭তা থোইখি। অনীশুবা গেমদা সিন্ধুগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা লম্বা পীরকপদগী জপানগী শান্নরোয় অদুবু মহাক্লা ২১-১৭তা থোইরগা দিসাইদিং গেম শান্নখি। মদুদা সিন্ধুগী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিনবা ঙল্লক্তুনা পোইন্ট ১৫-১৫ মান্নদুনা লৈরম্বদগী মখা তারকপা পোইন্টশিং অদু মহাক্লা লৌবা ঙল্লক্তুনা ২১-১৭তা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী শান্নরোয় ভোনি লিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রিকান্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রনোইবু ২১-১৫, ১৯-২১, ২১-১২দা থোইরগা মহাকসু প্রি ক্বার্টর য়ৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিটনা ফ্রান্সকী টোমা পোপোবপু ২১-১৯, ২১-১৮দা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা ফ্রান্সকী খৃষ্টো পোপোবকা লম্বা তৌনরগনি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ভিল্লারিয়াল থোইদুনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ভিল্লারিয়াল, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সী): কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো য়াওবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙরাং স্পেনগী ক্লব ভিল্লারিয়ালবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ভিল্লারিয়ালনা য়ূম্ব ওইরগা ঙসি সেরামিকা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী ৫শুবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। টিম অনীমক মমাংগী মেটচ ৪ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৭/৭ ফংদুনা লৈখিবনি। ২শুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা ভিল্লারিয়ালবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অতোপ্পা শান্নরোয় জাদোন সাঞ্চোনা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ভিল্লারিয়ালবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

গ্রুপ ঐচতা ঙরাং ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা য়ূম্ব ওইরগা লন্দনদা শান্নখিবা ৫শুবা মেটচতা মখোয়না ইটালিগী ক্লব য়ুভেন্টসপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা টিম অনীমক পোইন্ট ১২/১২ ফংনরগা প্রি ক্বার্টর য়ৌখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 299

**Villegas, Benito H - Pulcherio, Cauby**
**Mar del Plata (16), 1928**

1.e4 c5 2.Nc3 Nc6 3.Nf3 d6 4.d4 cxd4 5.Nxd4 Nf6
6.Be2 e6 7.O-O a6 8.Be3 Be7 9.Qe1 Qc7 10.f3 O-O
11.Rd1 b5 12.a3 Bb7 13.g4 d5 14.g5 Nxd4 15.Bxd4 Nd7
16.exd5 exd5 17.Qh4 Ne5 18.f4 Ng6 19.Qg4 Bd6 20.f5 Ne5
21.Qh4 Bc5 22.Bd3 Bxd4+ 23.Qxd4 Rad8 24.f6 Nxd3 25.Rxd3 Rfe8
26.Rg3 Qc4 27.Qf2 d4 28.g6 hxg6 29.Rxg6...

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 298 Ans. :**

38. Rh7+ The white rook decoys Black's king. Kxh7 39. Ne5+ With a discovered check by the white queen. Kh6 40. Qh5+ Kg7 41. Qxf7+ The white queen forks Black's rook and king. The white queen captures Black's pawn, which was defending square g6. Kh8 42. Ng6#
42. Qxe8+
38. Rh7+ Kxh7 39. Ne5+ Kh6 40. Qh5+
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com